HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও



গভর্ণর লা গনেসননা ব্রাক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকা লোয়ননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চার হজারদা নৌনা শাবা বেদবিদ্য ভবন শঙ্গাবা থৌরমগী মৈরা চুখৎখিবা

অফাবা মীওই ১ কোর্টতা বেন্দেজ য়েৎলগা পুথোরকখ্রে
☛ লামায় ২

স্কোলারশিপকী ফোর্ম সবমিসন তৌবগী মতম শাংদোকপীননবা তকশিনখ্রে
☛ লামায় ৩

রিমসকী দিরেক্টর শান্তবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে
☛ লামায় ৫

ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে
☛ লামায় ৬

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সোমদলদা বেঙ্ক ওফ বরোদাগী ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখিবা



Vol. 45, Issue No. 245 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 30, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

CALL 1950
FOR ELECTION RELATED QUERIES
Chief Electoral Officer, Manipur

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q: Non-Local singna ILP pairamdaba amasung renew touramdaba asi system asibu chatnahallakpada ahoba kaya leire haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meetei/Meiteibu ST listta chalhanbada atoppa furup singna pishum shukningai oiroi haibasi achumba oigadra?

Yes 67% No 33%

## অস! লোইরেহে!

- মৌ অহলদো মাঙখ্রে, ঙরাং হল্লক্তরে।



- মাঙবা ওইরম্মোই, নুপা অমগা লৈমিন্নরমগনি।

# পার্লিয়ামেন্টতা ফার্ম লো রিপীল বিল খন্নদনা পাস তৌখ্রে

## দেমোক্রেসিগী অমম্বা নুমিৎ অমনি : সুপ্রিয়া সুলে

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী) : বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মহাক্না লুচিংলিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীরবা মতুংদা ঙসি লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লিবা ফার্ম লো রিপীল বিল লোক সভাদা খন্নদনা ভোইস ভোটতা পাস তৌখিবগা লোয়ননা রাজ্য সভাদসু হায়রিবা ফীভমসিদা রিপীল বিল অসি পাস তৌখ্রে।

লৈবাক অসিগী লৌমী ৭০০ হেন্না ফার্ম বিল অহুমগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা শিখিবদা নত্তনা ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিংনা ৱাথোক ওইরিবা বিল অহুম অসি বি জে পি লৈঙাক্না পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা মতমদসু পুথোক্তুনা খন্নখিদবনি অমসুং ঙসি বিল অহুম অসিগী রিপীল বিল পুথোরকপদসু খন্নবগী তাঞ্জা পীখিদে হায়রদুনা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী লুচিংবা সুপ্রিয়া সুলেনা পার্লিয়ামেন্ট হাওসকী মপান্দা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী নুমিৎ অসি দেমোক্রেসিগী অমম্বা নুমিৎ অমনি। গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মন কি বাট খক্তমক পাঙথোকপা পাল্লি অদুগা মীয়ামগী ৱারোল জন কি বাটতি তানীংদ্রি হায়খি।

ঙসিদগী হৌখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমগী অহানবা নুমিৎতা মাঙজৌননা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রবা ফার্ম লো রিপীল বিল, ২০২১ অদু য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ টোমারনা হাওসতা টেবল তৌখি।

এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা রিপীল বিল অসিবু হাওসতা হেক পুথোরকপগা হাওস মনুংদা লৈখিবা পোলিটিকেল পার্টি মান্নবা মান্নদবা থিদনা ওপোজিসন পার্টিশিংনা পেন্দবা খোল্লাউশিং লাউবা হৌরকখি। খরনা মখোয়না ফল্লিবা সিটতগী হৌগৎলক্তুনা পার্লিয়ামেন্টকী ৱেল তম্না চঙশিন্নরকখি অমসুং রিপীল বিল অসিগী মতাংদা হাওসনা খন্নগদবনি হায়না দিমান্দ তৌনরকখি।

অদুবু স্পিকর ওম বিরলানা খন্নসি হায়রিবা বিল অসি হাওসকী মেম্বরশিংনা মশা মশাগী ফম্ফমদা ফম্বগা লোয়ননা স্লোগানশিং লাউবা তোক্লবা মতমদতা খন্নগদবনি হায়বগা লোয়ননা মীৎকুপ কাংদনা থংনবা মীৎকুপ্তা এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা টেবল তৌরকখিবা রিপীল বিল অদুবু ভোইস ভোটতা খন্নদনা পাস তৌখি। বিল অসি পাস হেক তৌবগা হাওসকী মীফম নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি।

ঙসি লোক সভাদা চত্থখিবা থৌওং অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অধির রঞ্জন চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবদা রিপীল বিল অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা খন্নবদা অকিবা ফাওরে। কোংগ্রেসকী মায়কৈদগীদি রিপীল তৌরবা ফার্ম লো অহুম অসিগী মতাংদা খন্নবা পাম্মী অমসুং মিনিম্মম সপোর্ট প্রাইজ (এম এস পি) গী মরী লৈনবা লোগী মতাংদসু খন্নবা পাম্মী। অদুবু গভর্ণমেন্টনা খন্নদনা বিল অসি পাস তৌখ্রে হায়খি।

ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা লৌমীশিংগী মরক্তগী মাঙজিল থাবা রাজেস টিকাইটনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি বিল অহুমসিগী মতাংদা মখা তানা প্রোটেষ্ট চত্থরকপা পামদ্রি অদুবু ঐখোয়গী মায়কৈদগীদি এম এস পিগী মতাংদা লাক্লিবা ইস্যুশিং খন্নদ্রিবা ফাওবদি খোঙজং হন্দোক্লোই হায়খি।

ঙসি লোক সভাদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# থৌবাল পুলিসতা লুপা লাখ ১০গী রিৱার্দ পীরগনি লাউথোকখ্রে

## চুড়াচান্দপুর এম্বুসকী কেস এন আই এনা লৌখৎত্রি : সী এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সোমদলদা অনৌবা বেঙ্ক ওফ বরোদাগী ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক অসিনা হৌখিবা চহী ৪গা থা ৮দা পাঙথোকখিবা থবকশিংগী অকুপ্পা ৱারোল য়াওবা 'ত্রান্সফোর্মিং মণিপুর, ইনক্লুসিভ দিভেলপমেন্ট অন্দর বি জে পি লেদ গভর্ণমেন্ট' হায়না মিংথোনবা পব্লিকেসন অমসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হুইকপ অৱাং লৈকায় চোঙা লৌকোল এরিয়াদগী ঈশিং হাপ্লবা লিটর ৫০০গী সিন্টেক্স অমগী মনুংদা লোৎতুনা থল্লম্বা য়াল্লবা নোংমৈ অমসুং মরূশিং ফাগৎখিবগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লুপা লাখ ১০গী রিৱার্দকা লোয়ননা সর্ভিস কম্মেন্দেসন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

রিৱার্দ অমসুং কম্মেন্দেসন পীরগনি লাউথোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা লুচিংবা থৌবাল পুলিসকী টিমনা হুইকপ অৱাং লৈকায়দগী মীওই ৩ ফাগৎখিবগা লোয়ননা য়াল্লবা নোংমৈ অমসুং মরূশিং রিকোভর তৌবা ঙমখিবগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

চত্থখিবা ওপরেসন অদুদা শরুক য়াখিবা টিম অদুদা কম্মেন্দেসনগা লোয়ননা লুপা লাখ ১০গী শেনফম পীরগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ত্বিটরদা থাগৎলক্তুনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, য়াল্লবা নোংমৈ অমসুং মরূশিং ফাগৎখিবা অদু অহানবদা য়ু জি গ্রুপ অমগী মেম্বর অমা ফাগৎলবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.







